**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 24-05-2025)**

**শিরুই (এল)ঃ** মঙাশুবা রাজ্য থাক্কী শিরুই লিলি ফেষ্টিভেল ঙসি লোয়শিনখ্রে। হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা উখ্রুল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা লৈবা বক্সি গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী টুরিজম মন্ত্রালয়গী দাইরেক্তর জেনরেল-সুমন বিল্লা, জি.ও.সি. থ্রি কোর লেফটনেন্ট জেনরেল-অভিজিৎ এস. পেনথরকর শরুক য়াখি। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা কালা সংস্কৃতি অমসুং ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমশিংসু পাঙথোক্লি।

**সনাজাউবা (এল)ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাদা থা অসিগী ২০ দা থ্বালতাবীদা পাউমীশিং পুবা মনিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসতগী মনিপুর হায়বা ৱাহৈ অদু লৌথোকবা হায়রকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মদুদা চেন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎতুনা তুংদা অসিগুম্বা থৌওংশিং চথ্নরক্তনবা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-চহি অনি হেন্না রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাদনা লৈরক্লবা ফিভম অসিবু শান্তি হনজিল্লকবা মায়কৈ কয়াদগী হোৎনরক্লিবা তঞ্জা অসিদা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি চথ্নরকপনা শান্তি হনজিল্লকপগী লম্বীদা চাউনা অপনবা ওইরবা য়াই। রাজ্য অসিগী মীয়ামনা থৌওং অদু চথ্নবদা মরাল লৈবশিং সরকারনা অথুবা মতমদা খঙদোক্তুনা মরালগী মতুং ইন্না থবক থৌরম কয়া লৌখৎলক্কনি হায়বগী আশা তৌই।

নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবগী চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-সরকার অসিনা থৌওং অসিবু হকচিন্না লৌবিদুনা রাজ্য অসিগী মীয়ামগী ইথিল খঙনা

থবক তৌবীকবসু আপিল তৌরি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা কিষান ন্যায়াই য়োধা হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম অসিদা ওল ইন্দিয়ান কিষান কংগ্রেসকী নেসনেল চেয়ারমেন সুখপাল সিংহ খাইরানা হায়-লৌমীশিংনা চেং, গেহুনচিংবা নত্তনা তোঙান তোঙানবা মতম মতমগী ওইবা মহৈ-মরোং থাদুনা লৌবুকশিংবু অশং অমানতনা থলহন্দুনা মহৈ মরোং কয়া পুথোকপা য়াই।

থৌরম অদুদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্র অমদি দলগী কর্মিশিং শরুক য়াখি।

**ক্লাইমেট (এল)ঃ** মালেমদা নুংশিৎ নুংশা হোংহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা কার্বোনবু চাং ৱাংনা চুপশিল্লিবা ঈশিংদা লৈবা ফাইতো প্লান্টবু ঙানা মচিঞ্জাক ওইদুনা কার্বোন হন্থহনবদা অচৌবা মতেং পাংলি। মসিগী মথক্তা মতিক চানা ঙাগী চাং লেংদনা থম্বনা ঈশিং মনুংদা লৈবা জিবশিংগী চিঞ্জাক্কী লম্বী অমদি অকোইবগী ইকো সিষ্টেমসু হেন্না ফাহনবা ঙম্মী। অদুবু হোংলক্লিবা নুংশিৎ নুংশাগী ফিভম ওইদুনা ঙসি ঙা য়াওনা ঈশিংদা লৈবা জিবশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরক্লি। ফিভম অসিগী য়েংলগা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা ফিস সেঙ্কচুরিশিং শেমগৎনরক্লে। মসিনা য়েলহৌ ঙা য়াওনা মখল মখা কয়াগী ঙা কয়া মাঙখিগদবদগী কনবা ঙম্বা, ঈশিংদা লৈবা জিবশিংগী ইকো সিষ্টেম ফগৎহনবগা লোয়ননা নুংশিৎতা য়াওবা কার্বোনশিং হন্থহনবদসু চাউনা মতেং পাংলি।

**মেলা (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমজিং মখাদা ফুমলৌ গ্রাম পঞ্চায়ট অমসুং মণিপুর ষ্টেট লাইভলিহুদ মিসন্না পুন্না শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট কনভর্জেন্স মেলা অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ফুমলৌ কম্যুনিতি হোলদা

পাঙথোকখ্রে।

মেলা অসিদা তোঙান তোঙানবা বিভাগ ১৭ কী ষ্টোলশিং হাংদুনা মীয়ামগী তঙাইফদবা খুদোংচাবশিং ফংহনখি। খুদোংচাবশিং অদুগী মনুংদা সি.এম.ঐচ.টি, সি.এম.এস.টি, পেন্সন, আধার কার্দ শাবা অমদি বার্থ সার্তিফিকেট পীবনচিংবা য়াওখি।

**সেন্সিটাইজেসন (এল)ঃ** প্রিভেন্সন ওফ চাইল্ড মেরিএজকী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবগী থৌরম অমা ঙসি তমেংলোং জিলাগী য়ুনাইটেদ ব্লিডর স্কুল পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি ইন্দিজিনস ৰিমেন্দ এন্দ চিলদ্রেন ফাউন্দেসনগা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপনি।

থৌরাং অসি মফম অদুগী মীয়ামদা ঙন্না য়ুম পানবনা পীবা চৈথেংশিংগী মতাংদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিংবু খঙহনখি।

**ত্রেন্নিং(এল)ঃ** নন-ভাইওলেন্সকী মতাংদা ঙসিদগী হৌদুনা হয়েং ফাওবা নুমিৎ নিনি চুপা চথুগদবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম, ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মনিপুর প্রেস ক্লবতা হৌখ্রে।

থৌরম অদু রিজনেল ফেলোসিপ ওফ পিছনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অসিদা নন ভাইওলেন্সকা মরী লৈননা হীরমসিদা খঙ অহৈরবশিংনা ৱা ঙাংখি।

**স্কুল(এল)ঃ** ইং ১৯৫৩-১৯৫৬ ফাওবদা মনিপুরি লোলবু স্কুলশিংদা তমহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা অহলশিংবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা মখোয়গী শক্তমশিং য়েকপা সোলো আর্ট ইগজিবিসন অমা অসামগী কছার জিলাগী বিনাকান্দি পার্ট টুদা লৈবা ইন্দুপ্রভা কমপ্লেক্সতা ঙসিদগী হৌখ্রে।

নুমিৎ হুমনি চথুগদবা ইগজিবিসন অসিদা য়েলহৌ য়াঙ্কোক আর্টস থোইথোইবা ময়াংলাম্বমনা য়েকপা লাই ১৯ ইগজিবিসন অসিদা উৎলি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লৈঙাংচীং ভিলেজ কম্ম্যুনিতি হোলদা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইব অমদি লমকাং কুরচুকনাউ কুনপুন, লমকাং ষ্টুদেন্টস যুনিয়নগা পুন্না শিনদুনা চিংগী লমশিংদা লেন্দ লোশিং হায়বসিদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস পোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইবকী চেয়ারপার্সন-থুইঙাই মেথিয়ু রোংমৈ, জিলা অসিগী এস.দি.সি. প্রোমিলাতা মোনশাং ৱাংলর, মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইবকী মেম্বর-সানখিল সেটলেনঙম শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা লেন্দ লোস ওফ দি হিল এরিয়াগী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**এআর (এল)ঃ** স্পিয়র কোরগী জি.ও.সি. লেফটনেন্ট জেনরেল-অভিজিৎ এস. পেনথরকর অমদি আই.জি.এ.আর (সাউথ) কী মেজর জেনরেল-রব রুপ সিংহগা লোয়ননা উখ্রুল জিলাগী বিরনারি অমসুং ইমুং মনুং য়াওবা এক্স সার্ভিসমেন ৩০০ রোমগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অমা উখ্রুলদা লৈবা সোমসাই গেরিসনদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি মীয়ামগা অফনবা মরী থমনবা পান্দমদা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা পাঙথোকপনি।

**থৌবাল (এল)ঃ** ৱাংখেম কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা শান্নরোইশিং অমদি হন্দক লাউথোকখিবা ক্লাস টুয়েল্বকী পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংখ্রবা মহৈরোইশিং ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ৱাংখেম কংগ্রেস ব্লোক কংগ্রেস কমিতি অমদি ৱান হোম ফাউন্দেসন পুন্না শিনদুনা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবা

কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ. কে. মেঘাচন্দগী য়ুমদা পাঙথোকখিবনি।

**ওপিয়ম ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা নাগালেন্দদগী ঙরাং ওপিয়ম কিলোগ্রাম ১৪ ফাগৎপা ঙমলে।

৭৮ শুবা সি.আর.পি.এফ. বটালিয়ন অমসুং সেচু জ্বজা পুলিস ষ্টেসনগী পুলিসশিং ঙরাং কোহিমা জিলাগী নেসনেল হায়ৱে ২৯ দা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা পোৎলমশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি।

পোৎলমশিং য়াওবা গাড়ি অদু মনিপুরগী সেনাপতিদগী দিমাপুর তমা চৎপগী লম্বীদা ফাবনি। পোৎলম অসি পুরম্বা মীওই অদুদগী শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫৬ রোমসু ফাগৎলে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী রাজ্য খুদিংমক্তা মালেমগী থাক্তা মপুং ফানা শেমগৎলবা লম কোইফম অমমম থমবা হায়রি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা নিতি আয়োগকী গভরনিং কাউন্সিলগী ১০ শুবা মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মসিনা সহরশিংবু লম কোইবশিংগী মফম অমা ওইনা শেমগৎপদা চাউনা মতেং ওইরগনি। শ্রী মোদিনা হায়-ভারত অসি খুমাং য়াংনা চাউখৎলক্লিবা লৈবাক অমনি। সহরশিং অসি চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা ইনোভেসন, খুমাং চাউশিনবা অমসুং তুং কোইনা চৎনবা হায়বসিনা মরুওইবা য়ুম্বী ওইগনি। কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগা হীরম খুদিংমক্তা পুন্না থবক তৌমীন্নরবদি লৈবাক অসি মাংলোমদা চংশিনবা ঙমগনি। লৈবাক অসিগী রাজ্য পুমমক চাউখৎলবা মতমদতা ভারত অসি ভিক্সিত ভারত ওইবা ঙমগনি। শ্রী মোদিনা হায়-মসি লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ১৪০ গী মগুলানি।

থৌরম অদুদা উত্তর প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথ, অন্ত্র প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-চন্দ্রবাবু নাইদু, হিমাচল প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-সুখৱিন্দর সিংহ সুখু, মধ্য

প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-মোহোন যাদব, ছাতিসগরগী মুখ্য মন্ত্রি-বিষ্ণু দিয়ো সাইনচিংবা মুখ্য মন্ত্রিশিং শরুক য়ারি। ডপ রাজ্যপালশিং, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং, নিতি আয়োগকী ভাইস চেয়ারমেন, মেম্বর অমসুং সি.ই.ওশিংসু শরুক য়াখি।

**সমিটঃ** কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্থালগী রাজ্য মন্ত্রি-অনুপ্রিয়া পতেলনা হায়রি-মগুন লৈবা অমদি অহোংবা মমলদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগীদমক কেন্দ্র সরকারগা রাজ্য সরকারশিংদা অহেনবা তেংবাং পীরগনি।

ন্যু দিল্লিদা নুমিৎ নিনি চথুরকপা রাইজিং নোর্থ ইষ্ট ইনভেষ্টর সমিটতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়-অৱাং নোংপোক লমদমদা অনা লায়েংগী লমদা হেন্না খুমাং চাউশিলহন্নবা হোৎনবদা প্রাইবেট সেক্তরশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই। মহাকা হায়-মীফম অসিদা অনা লায়েংগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা মপুং ওইনা খন্ন-নৈনখি। লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা খুদোংচাবা ফংহন্নবা সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকা ১২২ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**বিএসএফঃ** বোর্ডর সেক্যরিতি ফোর্সনা গুজরাটকী বনসকান্তা জিলাগী ভারত-পাকিস্তান লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা নারোলদা চংশিল্লকবা হোৎনরম্বা পাকিস্তান মচা অমা বি.এস.এফনা হাৎখ্রে। থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং থোকখিবনি।

বি.এস.এফ. পার্সোনেলশিংনা মীওই অদুদা ভারতকী ঙমখৈ

লানশিল্লক্তনবা কয়ারক হন্না হায়খি। অদুম্মকপু মীওই অদুনা নমদুনা ঙমখে লানশিল্লকপদগী মফম অদুদা বি.এস.এফনা নোংমৈনা কাপ্পদা শিখিবনি হায়রি।

**অমরোমদা,** ছরখন্দরগী লাতেহার জিলাদা নেক্সলাইটকী মকোক থোংবা লুচিংবা-পপু লোহারা য়াওনা মীওই অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা লৈখিদ্রে। পপু লোহারা হায়রিবা মীশক অসি নেক্সলাইটকী মকোক থোংবা লুচিংবা মীওইনি। মহাক্কী মথক্তা সরকারনা লুপা লাখ ১০ গী মনাসু লাউথোকখ্রবনি।

**খেল্লোঃ** কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি-মনশুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি-অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা শান্নরোইশিংগী হৈ-শিংবশিং হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা খেল্লো ইন্দিয়া নোর্থ ইষ্ট গেমস হৌদোক্লগনি।

ৱাফম অসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা রাইজিং নোর্থ ইষ্ট ইনভেষ্টর সমিটদা শ্রী মন্দাভিয়ানা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-গেমস অসি চহি খুদিংগী পাঙথোক্কনি। গেমস অসিদা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিং য়াওনা য়েলহৌ মশান্না কয়াসু য়াওগনি।

**এমএমটিএ (এল)ঃ** ১২ রক শুবা নোর্থ ইষ্ট মাউন্ট এভরেজ সমিট সেলেব্রেসনগী থৌরম মনিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিয়েসন (এম.এম.টি.এ) না শিনদুনা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী চিংকারোইশিংনা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংমা চিংদোল মাউন্ট এদভরেজ য়ৌখিবা নুমিৎ নীংশিংদুনা পাঙথোকখিবনি।

**অস্ফা(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাংজিং ফুটবোল তর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২৮ দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল

টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী মেটচ ওফিসিএলশিংগী মিং লাউথোক্লে। মসিগীদমক মিং য়াওরবা মেটচ ওফিসিএলশিংনা থা অসিগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা লাংজিং তর্ফ গ্রাউন্দদা লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** তরুকশুবা কাইয়ো ত্রোফিকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-সাম সেতুপুর কুন্বীনা ৱার্ড-ৱাপোকপীবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা-ইমোইনু এফ.সি. কুন্বীনা টিম ইরেংবমবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** লমলোং থোঙখোং আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা চথুরিবা অনিশুবা পেমিয়ার লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ুনাইটেদ চাকে দল এফ.সিনা দিমাপুর রোড এঠলেটিক ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

**খোখো (এল) ঃ** সম্মর খো-খো কোচিং কেম্প ২০২৫ ঙসিদগী ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নোংপোক সঞ্জেনবম এস.দি.এ. গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** চথুরিবা অনিশুবা প্রেমিয়ার লিগ ২০২৫-২৬ কী মখা তাবা মেটচশিং তর্ফ শেম শাবনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্লে হায়না ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।